# ঙসি নোংমখক্কীদমক্তা

নশানা হায়জৌ:

**ঙসি নোংমখক্কীদমক্তা** ৱাখলশিংসে ঐগী ফগৎলক্লবগীদমক্তা দ্রগশিং য়াওদনা হিংবা অমসুং নুংঙাইথোকপনি।

**ঙসি নোংমখক্কীদমক্তা** ঐবু থাজবা অমসুং ঐবু ফগৎলকপদা মতেং পাংবীনীংবা এন: এ:গী কনাগুম্বা অমদা ঐগী থাজবা থমগনি।

**ঙসি নোংমখক্কীদমক্তা** ঐগী থৌরম পরেং অমা লৈগনি। ঐগী ঙমজবী চাংদা মসিবু তুংইন্দুনা চৎনবা হোৎনগনি।

**ঙসি নোংমখক্কীদমক্তা**, এন: এ:গী মতেংনা, ঐনা ঐগী পুন্সিদা হেন্না ফবা শক্তম অমা ফংনবা হোৎনগনি।

**ঙসি নোংমখক্কীদমক্তা** ঐ অকিবা লৈররোই, ঐগী ৱাখল ঐগী অনৌবা মরুপশিংগীদা ওইগনি, শীজিন্নদ্রবা অমদি পুন্সিগী অনৌবা লম্বেল অমা ফংলবা মীওইশিং। ঐনা লম্বেল অসিবু তুংইন্দুনা চৎলিবমখৈ, ঐনা কিনিংঙাই অমত্তা লৈতে।

ঐখোয়না নার্কোতিক্স এনোনিমশ প্রোগ্রামদা চঙশিল্লকপা মতমদা, ঐখোয়গী পুন্সিবু হেনবা শক্তি অমগী চেকশিনখাদা শিন্নজনবগী ভ্লারেপ অমা লৌখি। শিন্নজবা অসিনা হৌখ্রবা মতমগী অভ্লাবা অমসুং তুংগী অকিববু কোকহল্লি। ঙসিগী ফংলিবা খুদোলসি হৌজিক্তি চপ চাবা শক্তমদা লৈরে। ঐখোয়না পুন্সিবু হৌজিক হৌজিক্কী ওইরিবা মওংদা য়াজবা অমসুং নুংঙাইথোকপা ঙম্লে। ঐখোয়না ঙসিগী তাইবংপান অসি য়াজবা ঙমদ্রগদি, ঐখোয়দগী হেনবা শক্তিদা থল্লিবা থাজবা অদু মাঙলবনি। মসিনা অভ্লাবতমক হেন্না পুরক্কনি।

ঐখোয়না খঙলে মদুদি ঙসি হায়বসি তম্বা ঙমদবা খুদোলনি মসিবু ৱাখলদা থল্লগা, হৌখ্রবা অমসুং তুংগী খঙ্ছনিংঙাই ওইদবা, অমদি ঐখোয়গী ঙসিগী থবক্লা মরুওইবদুনা ঐখোয়গী অশেংবা শক্তম ওইরে। মসিনা ঐখোয়গী পুন্সিবু লাইহল্লি।

ঐখোয়গী ভ্লাখল অসি ঙসিগীদা মীৎয়েং থল্লবা মতমদা দ্রগকী মংলাক্লবা অদু মাঙখিদুনা অনৌবা তাইবংপান অমগী মঙাল ফংলকই। ঐখোয়না থেংনরে মদুদি, ঐখোয়না ভ্লারবা মতমদা, ঐখোয়দা ফাওরিবা ভ্লাখলদু ফগৎলক্লিবা এদিক অমদা থাজবা থম্বা য়াগনি। ফগৎলক্লিবা এদিকশিংগা ঐখোয়গী হৌখ্রবা পুন্সিবু য়েন্নথোকমীন্নবদগী ঐখোয়না খঙলে ঐখোয় তোমথিল নত্তে, অদুদি ঐখোয় অপুন্বা লীপুন অমনা পুল্লি। অতেপ্পা এন: এ: মেম্বরশিংদা, ভ্লারী শাদুনা ঐখোয়না নোংমগী থেংনবা অভ্লা-অনা য়েন্নমীন্নবা নৎত্রগা মখোয়না থেংনরকপদু য়েন্নহনবা হায়বসি ঐখোয়দগী হেনবা শক্তি অমনা ঐখোয়দা পীরকপা ঈথিল অমনি।

করিগুম্বা ঐখোয়না ঙসি শেংনা লৈরবা, ঐখোয়দগী হেনবা শক্তি অমসুং এন: এ:গী মরুপশিংগা মরী থল্লবা ঐখোয় কিনিংঙাই ওইদে। ঈশ্বরনা ঐখোয়গী হৌখ্রবা অশোয়বশিং অদুগীদমক ঙাকপীরে। অদুবু হয়েংদি হৌজিকমক্তি য়ৌরক্ক্রি। ধ্যান অমসুং ইশাগী মরমদা ইথোকচবনা ঐখোয়বু নুমিৎচুপ্পা পুক্লিং লৈতানা লমজিং ফংবা ঙমহল্লি। ঐখোয়বু ঙসি নোংমগী মায়োক্লবা ঙম্লনবা থৌনা পীনবীবগী, ঐখোয়না থাজরিবা ঈশ্বর, মহাকপু থাগৎচনবা ঐখোয়গী নোংমগী থৌরম - থৌদাদগী মীৎকুপ খরা লৌই।

"ঙসি নোংমখক্কীদমক্তা" দ্রগশিং থাদোকপদা নত্তনা ঐখোয়গী পুন্সিগী থৌদোক খুদিংমক্তা শীজিন্নবা য়াই। তাইবংপান অসি নোংমগী চাংদা থেংনবা তাবনি। ঐখোয় অয়াম্বনা ৱাখলদা ফাওই মদুদি ঐখোয়না ঙসি নোংমগী তৌবা ঙম্বা থবক্তগী হেন্না ঈশ্বরনা ঐখোয়দগী আশা তৌদে।

এন: এ:গী খোঙথাং তরানিথোইগী প্রোগ্রাম অসি থবক পাংবনা, ঐখোয়গী পুন্সিবু অনৌবা শক্তম অমা ওইহনবীরে। ঙসিদি, ঐখোয় কনানো হায়ববু কঙ্কোক্লবা মখা তানা মরম থিরুবগী মথৌ তাদ্রে। ঐখোয়না নুংতিগী ইশাদগী হেনবা শক্তিগা মরী থম্বনা মমাঙদা অমুক্তা মেনশিনবা ঙম্লমদ্রবা নুংগী অহাংবশিং অদু ঙসিদি লৈত্রে। ঐখোয় ঙসিদি হিংবগী অপেনবা ফংলে। ঐখোয় ইশাদগী হেনবা শক্তিনা ঐখোয়বু লমজিংবীদুনা শীজিন্ননীংবগী অপাম্বদু কোক্লে। মপূং ফাবা হায়বসিনা ঙসিগী পান্দম ওইদ্রে; ঐখোয় অপেনবা চাংদি ফংবা ঙমগনি।

এদিক অমনা নোংমা শেংনা লৈবা ঙম্বা হায়বসি অঙকপা অমনি হায়বসি নীংশিংবা মরু ওই। মীটিং চৎপা, খোঙথাংশিং থবক পাংবা, নুমিৎ খুদিংগী ধ্যান তৌবা, অমসুং প্রোগ্রামসিগা হকথেংনরিবা মীওইশিংগা ৱারী শানবা-হায়রিবশিংসি নুংগী পাঙ্গল লৈনবা ঐখোয়না পাঙথোকই। দায়িত্ব লৈনা হিংবা হায়বসি ওইথোকই।

ঐখোয়না নাইতোম তাবা অমসুং অকিবা অসি ফেল্লোশিপকী নুংশিবা অমদি অনৌবা পুন্সি লম্বেল অমগী লৈতবা অসিনা মহুৎ শিনবা ঙমগনি। ঐখোয় অমুক হন্না নাইতোম তারুবগী মথৌ তাদ্রে। ফেল্লোশিপ অসিদা, ঐখোয়না থাজবগী ৱাংমদা ঐখোয়গী অশেংবা মরুপ হেন্না ফংলে। ইশাবু-হঙ্ছজবা ৱাখল অমদি মলোম থল্লম্বদু খাংবা ঙম্বা অমসুং থাজবনা মহুৎ শিল্লে। ঐখোয়না য়াম্লা লাংতক্লনা থীরুবা নীংতম্বা, পুক্লিং লৈতাবা অমসুং নুংঙাইবা অদু ঐখোয়দা পীবীরে।

নোংমগী মনুংদা, ফত্তবা অমসুং অফবা কয়ামরুম থোকই। করিগুম্বা ঐখোয়না অনীমকপু মশক খঙবা ঙম্লবা মতম লৌদ্রগদি, ঐখোয়গী ফগৎলকপদা মতেং ওইবা য়াবা খরা ফংহৌদবা য়াই। ঐখোয়না হোৎনরবা মতমদা ঐখোয়গী হিংনবগী ফিরেপশিংনা ফগৎলকপদা লমজিংবীরক্কনি। ঐখোয়না নোংমগী চাংদা মখা তানা হোৎনবা মথৌ তাই।

Copyright © 2009 by
Narcotics Anonymous World Services, Inc.
হক খুদিংমক অফোংবগীনি।

World Service Office
PO Box 9999
Van Nuys, CA 91409 USA
T 818.773.9999
F 818.700.0700
Website: www.na.org

World Service Office–CANADA
Mississauga, Ontario

World Service Office–EUROPE
Brussels, Belgium
T +32/2/646 6012

World Service Office–IRAN
Tehran, Iran
www.na-iran.org

মশি এনঃএঃ ফেলোশিপনা অয়াবা পিরবা সাহিত্যাদগী হনদোকচবনি।

Narcotics Anonymous, অমসুং The NA Way
রেজিস্টার তৌরবাখুদমশিংনি।
Narcotics Anonymous World Services, Incorporated.

ISBN 978-1-55776-362-4 Manipuri 4/13
WSO Catalog Item No. MP3108

**Narcotics Anonymous®**

**নার্কোতিক্স এনোনিমশ**

IP No. 8-MP

# ঙসি নোংমখক্কীদমক্তা